অহান্বা ষ্টেট লেভেল ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ ঃ বি জে পি স্পোর্টস সেল, ইম্ফাল ইষ্টকী তেংবাং মখাদা ইষ্টুদেন ক্লব য়ুম্নাম খুনৌনা শিন্দুনা য়ুম্নাম খুনৌ প্লে গ্রাউন্দা অহান্বা ষ্টেট লেভেল ৭ এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা মিক্স ক্বাকৈথেলনা টি কে টি উয়ুমপোকপু গোল ৪–২ দা থোইখ্রে।

মিক্স ক্বাকৈথেলগী জর্সি নম্বর ৭ বিক্রমনা ৫ শুবা মিনিটতা, জর্সি নম্বর ১০ দিপক্না ৮ শুবা , কান্তনা ১৬ শুবা মিনিট অমদি জর্সি নম্বর ৯ নাওতোন্না ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

টি কে পী উয়মপোক্কী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ রোমেনজিৎনা ৬ শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ৮ এস জেমস না ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

টি কে পী উয়ুমপোক্কী ঙসি মেটচ অদুদা জর্সি নম্বর ৫ রোমানজিৎপু মেটচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পুন্না হয়েং মেটচ অনি শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অহান্বা গ্রাউন্দদা এস এস ৱাই এ অমদি এম আই এস শান্নগনি। অনিশুবা মেটচ ওইনা সঙাই এফ সি অমদি এস বি আর শান্নগনি।

সাই দা রিপোর্ট তৌগদবনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ ঃ নেপালগী কাথমান্দু পাংথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর ১৪–গার্লস রিজনেল চেম্পিয়নসিপ ২০১৫ দা শরুক য়াগদবা অন্দর ১৪–গার্লস নেসনেল ফুটবোল সেলেক্সন ট্রাইয়েল কম কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিংনা গুজরাটকী গন্ধীনগরদা লৈবা সাই সেন্টরদা লাক্লিবা মার্চ ৪, ২০১৫ ফাওবদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুদুনা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

গান্ধীনগরদা লৈবা সাই সেন্টরদা রিপোর্ট তৌগদবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিং অদুদি এন খুসি (জি কে), পিঐচ নিরমালা (দিফেন্দর), ৱাই লক্ষ্মী (মিদফিল্ডর), রবিয়া (মিদফিল্ডর) অমসুং ৱাই থাইলেন্দ (ফোর্ৱার্দ) নি । মখোয়না তঙাইফদনা পুগদবা পোৎলমশিংদি ওরিজিনেল দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট, পাসপোর্ট , ফিটনেস সার্টিফিকেট, পাসপোর্ট সাইস পোতোগ্রাফশিং অমসুং এজ ভেরিফিকেসনগী প্রমাণ ওইবা য়াবা চে–চাংশিংনি । মখোয়শিং অসি হয়েং ফেব্রুৱারি ২৬ ফাওবগী মনুংদা অম্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

ৱাই বি বি নুপাগী অমদি এম পি এস সি না টগ ওফ ৱার চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ ঃ মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিয়েসন শিন্দুনা থা অসিগী ২৩ দগী খুমনলম্পাক প্রাক্টিস ফিল্টদা নুপাগী টিম ৮ অমদি নুপীগী টিম ৯ না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা ৯ শুবা ষ্টেট লেভেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নসিপ মেন এন্দ ৱুমেন ২০১৫ গী নিপাগী চেম্পিয়ন ৱাই বি বি পীশুন্না ওইখ্রে। নুপীগী টিম চেম্পিয়ন্না এম পি এস সি না ওইখ্রে। চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেল মেটচ ৱাই বি বি পীশুন্না কে এম এস এ বু ৩–০ দা মায়থীবা পীখিবনি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এম পি এস সিনা এন এস সি বু ৩–০ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মফম ফংবা ঙমখি। নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সি না এন এল সি থাংমৈবন্দবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নসিপ অসিগী চেম্পিয়ন টিম ওইবা ঙমখি। নুপীগী অহুমশুবা মফম তাহৌরবা টিম অদুদি এস দব্লিউ সি সি এ নি।



1ST STATE LEVEL 7-A-SIDE OPEN FOOTBALL TOURNAMENT 2015
Organised by : Student's Club, Yumnam Khunou, Imphal East
Sponsored by : BJP Sports Cell, Imphal East.

FIXTURE

Pool - A	Pool - B	Pool - C
Mix Kwakeithel T.K.T. Yumpok THALES, Yaiskul	S.S.C. Sekta KKK F.C. Yumnam Khunou SKYC Sinamkom	S.C.Y. (A) Yumnam Khunou MIS Patsoi Sanjit F.C. Wangkhei

Pool - D	Pool - E	Pool - F
Sangai FC Thangmeiband S.B.R. Nongdam B.J.P. Mandal Khurai K.Y.C. Keinou	A.R.C. Khumidok W.F.C. Moirangkhom S.C.Y. (B) Yumnam Khunou	AURORA, Laipham Khunou Y.M.C. Haraorou John F.C. Khabam Lamkhai

OPENING MATCH

Date : 25/2/2015 Time : 1.00 p.m. T.K.T. Uyumpok V/s MIX Kwakeithel. Match. No. 1

Date	Time (Morning)	Name of Teams	Match No.	Time (Evening)	Name of Teams	Match No.
26/2/15	7 a.m.	SSC V/s KKK	2	1 p.m.	SSY (A) V/s MIS	3
				2 p.m.	Sangai F.C. V/s S.B.R.	4
27/2/15	7 a.m.	BJP V/s KYC	5	1 p.m.	ARC V/s WFC	6
				2 p.m.	AURORA V/s YMC	7
28/2/15	7 a.m.	TKT V/s THALES	8	1 p.m.	SSC V/s SKYC	9
				2 p.m.	SCY (A) V/s Sanjit FC	10
1/3/15	7 a.m.	SBR V/s KYC	11	1 p.m.	Sangai FC F/s BJP	12
				2 p.m.	ARC V/s SCY (B)	13
2/3/15	7 a.m.	AURORA V/s John FC	14	1 p.m.	MIX V/s THALES	15
				2 p.m.	KKK FC V/s SKYC	16
3/5/15	7 a.m.	MIS V/s Sanjit FC	17	1 p.m.	Sangai FC V/s KYC	18
				2 p.m.	SBR V/s BJP	19
4/3/15				1 p.m.	WFC V/s SCY (B)	20
				2 p.m.	YMC V/s John FC	19

Quarter Final
1. Win. pool A V/s Win. pool B. - G
2. Win. pool C V/s Runn. pool D - H
3. Win. pool E V/s Win. pool D - I
4. Win. pool F V/s 2nd Best - J

Semi Final
1. Win. pool G V/s Win. pool I - Y
2. Win. pool H V/s Win. pool J - Z

Final
Win – X V/s Win - Z

৩০শুবা হজারি অমদি ডাঃ তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

এম পি এস সি এ অমদি ইবুধৌ থাংজিং এ মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ ঃ ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা চত্থরিবা ৩০শুবা এন হজারি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব এ অমদি ইবুধৌ থংজিং পোলো ক্লব এ মায়পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহান্বা রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি– এ) না কে এন্দ এম এম আর এস এ বু ১২–১ দা য়াম্না লায়না মায়থীবা পীখ্রে।

এম পি এস সি –এ গী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী অহান্বা চক্করদা এম জৱান সিংহ না ২.২৬ অমদি ৪.৫৬ শুবা মিনিটতা চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল অনি চনখি। চক্কার অসিমক্তদা এম পি এস সি–এগী এস অবুংচানা ২.৪৬ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমাগা চনশিন্দুনা এম পি এস সি–এ না মেটচ অদু অহান্বা চক্কর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাংজিন থাখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনিশুবা চক্করদা চিমি অনিমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্বা ঙম্মখিদে।

৩ শুবা চক্করদা এম পি এস সি–এগী মায়কৈদগী হেন্না লকসিন্না শান্নদুনা চক্কর অসিদা পুন্না পাঞ্জল ৬ চনশিন্দুনা ৩ শুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা এম পি এস সি–এ না মেটচ অদু পাঞ্জল ৯–০ দা মংজিন থাখি। ৩ শুবা চক্করদা এম পি এস সি–এ না কে এন্দ এম এম আর এস এগী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল ৬ অদু এস বিমোলনা চক্কর অসিগী ০.৩০ অমদি ৪.০৪ শুবা মিনিটতা অমমম চন্দুনা পুন্না অনি,এস অবুংচানা ৪.৫৭ শুবা মিনিটতা অমদি এম জৱালনা ৫.২০, ৫.৩৮ অমদি ৬.১২ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল অহুম চনখি।

৪শুবা চক্করদা এম পি এস সি–এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম অমসু চনশিনখি। পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ রোমেন, টি ঐচ রানজিৎ অমদি এম বিমোলনা মথংশিংনা চক্কর অসিগী ১.৩৫, ২.১২ অমদি ২.২৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা কে এন্দ এম এম আর এস এগী অমত্তা ঙইরবা পাঞ্জল অদু মরিশুবা চক্করগী ২.৪২ শুবা মিনিটতা এল ধান্সোরনা চনখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু টি ঐচ হাওবা, কে ঐচ সরতকান্ত অমদি কে দিরেলনা মখাদা পাংথোকখিবনি।

২শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব এনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন ক্লব (ই এস সি–এ) বু পাঞ্জল ৫–৩ দা থোইখ্রে। ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব এগী পাঞ্জলশিং অদু এম দিরেলনা অনিশুবা চক্করগী ৫.১৩ অমদি ৬.৫৩ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল অনি চন্না ঙমখিবনি। চিমি অসিমক্কী অতোপ্পা পাঞ্জল ৩ অদুনা শান্নবগী ৪ শুবা চক্করদা চনখিবনি। চক্করশিং অদুগী পাঞ্জলশিং অদু এস সাদনন্দা, ও সমারজিৎ অমদি এম দোরেননা মথংশিংনা ০.৩৬, ৩.২০ অমদি ২.০৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

ই এস সি–এ গী পাঞ্জলশিং অদুনা ঐচ মোহেন্দ্রোনা অনিশুবা চক্করগী অহুম্বা মিনিটতা, টি ঐচ মোমোচানা অহুম্বা চক্করগী ০.০৯ শুবা মিনিটতা অমদি হাওরি অচৌমীনা মরিশুবা চক্করগী ২.৩৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

মেটচ অদু পি জৌতিন , টি প্রদিপকুমার অমদি এম দিরেলনা কন্দক তৌখিবনি।

MERRY CHRISTMAS Minimax GUNNEBO
IS:15683 Pioneering Fire Protection in India
For a safer world 2015 Happy New Year
Contact us M/S. Sijamacha Enterprises,Uripok Kangchup Road, Imphal.
+919856192049 Deals in Fire Extinguisher, Fire Hydrant, Fire Detection, Fire Alarm, Fire Sprinkler, etc.

All Type Luxurious Sofa's @ Rs.40,000/-
I-Shape Sofa's @ Rs. 50,000/-
Best deal of the Season
Don't miss it
EXCEL FURNITURE (Wholesale Depot) Contact no. : Roshan - +919856158180 Kranthi. R - +918258982944

JUST COMPUTERS
KEISHAMPAT BRIDGE BELOW IMPACT TV
Deals with PC, HP Laptops, Computer Accessories
1) HP 14-R Series Laptop (Rs. 23,500/-)
INTEL CELERON, RAM 2GB DDR3, WIN 8.1
2) HP 15- R Series Laptop (Rs. 25,500/-)
Intel Quad Core, Ram 4GB, HDD 500 GB Display 15.6" LED, DVD Drive, Blue tooth, Wi-Fi, Webcam, WIN 8.1
3) HP 15 - R Series Laptop (Rs. 30,900/-)
Core i3 4th Gen, Ram 4GB, HDD 500GB, Display 15.6" LED, DVD Drive, Bluetooth, Wi-Fi, Webcam
4) HP 15 – R Series Laptop (Rs. 34,500/-)
Core i3 4th Gen, Ram 4GB, HDD 500GB, Graphics Card 2GB Nvdia, Display 15.6" LED, DVD Drive, Bluetooth, Wi-Fi, Webcam
5) HP 15 – R Series Laptop (Rs. 42,000/-)
Core i5 4th Gen, Ram 4GB, HDD 500GB, Graphics Card 2GB Nvdia, Display 15.6" LED, DVD Drive, Bluetooth, Wi-Fi, Webcam
6) HP 15 – P Series Laptop (Rs. 60,000/-)
Core i7 4th Gen, Ram 8GB, HDD 1TB, Graphics Card 2GB Nvdia, Display 15.6" LED, DVD Drive, Bluetooth, Wi-Fi, Webcam, Win 8.1
Desktop Assemble @ 16,500/-
Intel Processor, Ram 2GB DDR3, HDD 160 GB, DVD Drive, Monitor 15.6" LED
Data Card 21.6 MBPS with Wi-Fi @ Rs. 1350/-
Pendrive 8GB – Rs. 350/-
Anti Virus Total Security - Rs. 450/-

LOUREMBAM Enterprises
Dealers of
A COMPLETE FURNITURE SHOWROOM
ONOMA ZUARI spacewood Supreme Zenith ALDER KOSMO
HOME FURNITURE & OFFICE FURNITURE
1. VERITA SOFA
2. VECTRA
3. ALCOSIGN
4. ZORIN
5. ZAURI
6. NEELKAMAL
7. SUPREME
8. ALDER
9. KOSMO
10. SPACE WOOD
11. ZIRCOTTE
Showroom Address
1. Canchipur Opp. M.U. Main Gate
2. Moirangkhom Near Blossom School, Behind Quick & Easy
Mobile No. 08974481911, 08878291082, 08512928827, 09436280324

Specturm Roofing
The Ageless Wonder
Distributor: JNK ASSOCIATES
Yes you heard it right !!
10 Years of Warranty
DISCOUNT Up to 15% Condition Apply
Call us Now (+91) 361 2452936/37 (+91)9774259837
10 YEARS WARRANTY
Why Choose Spectrum ?
1. Best Grade Steel
2. 10 Years Warranty*
3. Customized Length
4. Built & Care By Tech Team
5. 1 Year Free Tech Support*
Launching Soon !! Spectrum Steel Tiles
Visit Us JNK Associates Porompat Near JNIMS.
Colors of Holi
February Let's Begin!
Different colors Unique products Each day

SEASON GREAT OFFER
RANJANA EMPORIUM
a collection of Marriage and needy Fancy Item
মীওই খরা পামজৈ
- কাংখল তুবা হৈবা, বেদসিট
- স্পোন্স লোনবা হৈবা অমদি
- ইমব্রোইডরি লোনবা হৈবা
লোয়ননা ট্রেনিং তৌনিংবশিংনা লেম্না তৌবগী খুদোংচাবসু পীজরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী মফম অসিদা তান্নবিয়ু
Sagolband Meino Leirak Main Road Imphal West
Contact (#)8729989542

ROYAL CANIN drools
BIJAYA'S DOG TRAINING ACADEMY
WANGKHEI
Basic, Advance & Intermediate Obedience Courses, Agility First Time Introduced In Northeast
Lodging / Boarding of Pets, Pet Food & Accessories Available
Contact : 8794753328 8257035078

India's Most Trusted Preschool Educational Institute 2015-2016
The TreeHouse
Playgroup, Nursery, LKG & UKG
ADMISSION OPEN 2015-2016
Become a part of "The Tree House" preschool Franchise in Imphal. Candidate passionate to work with children can beobtained application form from the School office from 10 am to 1pm (Monday to Friday)
High Quality Affordable Education in your city
Add.: Singjamei Sougrakpam Leikai

FHRAI INDIA MEMBER
ADMISSION OPEN
AIR HOSTESS TRAINING UNDER THE CAMBRIDGE UNIVERSITY U.K.
BOYS & GIRLS 12 PASS
FICCI
A C.I.T CANADA ASSOCIATES
AHM
AN ISO-9001-2000 Certified
JOB PLACEMENT GURANTEE
SCHOLARSHIP AVAILABLE FOR FIRST 5 SEATS
CALL US AT : 9856192445 / 9856063859
PLACE OF TRAINING : OPPOSITE IMPHAL AIRPORT ENTRY GATE , CHANGANGEI

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*